**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ঙসি থোকপা ফিজিক্স সবজেক্টকী ক্বেসন সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎলকখিবা থৌদোক থিগৎপীনবা কোসেমনা সাইবর ক্রাইমদা ব্রাকৎখ্রে।

২) রাজ্যপালনা খুৎশু খুৎলায়শিং সরকার পীখৎলকবা আপীল তৌখ্রবা মতুংদা ঙসিসু পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশু খুৎলায়শিং পীশিন্নরকখি।

৩) ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং মার্জিং চীংদা রাজ্য অসিগী অহানবা ওইনা পায়খৎলিবা রোপৱে প্রোজেক্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবক হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

৪) লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংদা অমাং অতা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা মতেং পাংবীনবা কংগ্রেসনা রাজ্যপালদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- দেরি সেক্তরনা নুপীশিংদা শক্তি পীবদা য়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

------

কাউন্সিল (এল) ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ঙসি থোকপা ফিজিক্স সবজেক্টকী ক্বেসন পরিক্ষা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা

ভাইরেল চৎলকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা থিগৎপীনবা সাইবর ক্রাইমদা ৱাকৎখ্রে হায়না কোসেমনা হায়রি।

কাউন্সিল অসিগী কন্ট্রোল্লর ওফ একজামিনেসন ওইরিবা ওইনাম জোয়না পাউগী মীফম অমদা হায়- পরিক্ষা অসি অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগদবনি। অদুবু মিনিত খরা ৱাৎলিঙৈ মমাংদা ঙসি থোকপা সবজেক্ট অসি ক্বেসন সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎলে হায়বগী ৱাফম থোরকখি। হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎপীনবা সাইবর ক্রাইমদা ৱাকৎখ্রে। অথুবা মতমদা মরাল লৈবশিং ফারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়- কাউন্সিলনা চহি কয়াগী মমাংদগী পরিক্ষা অসি চেকশিন্না পাঙথোক্কুনা লাকপনি। অসিগুম্বা থৌদোক থোরকপা অসিনা চরাংনবা পোকহল্লে। থৌওং অসি মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা খুন্নাই অসিবু লান্না লমজিংনবা চথরকপনি হায়না লৌই। থৌদোক অসি কমদৌনা থোরকপনো হায়বদু থিগৎনবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেম্লগনি।

দেসাম (এল) ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ঙসি থোকপা ফিজিক্স সবজেক্টকী ক্বেসন পরিক্ষা মমাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রে হায়না মহেরোই লুপ দেসামনা ফোংদোরক্লি।

দেসামগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী সেক্রেটরি জেনেরেল নোংথোম্বম থোইথোইবনা হায়- মমাংদসু মেত্রিক পরিক্ষাগী সোসিয়েল সাইন্স সবজেক্টকী ক্বেসন লিক ওইবগা মরী লৈননা মীওই অনি ফাখিবা লৈখ্রে। ঙসিসু পরিক্ষা হৌগদবা ৱাৎলিঙৈদা ফিজিক্স সবজেক্টকী ক্বেসন সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎলকখিবা অসি খুন্নাই অসিগীদি য়ামা লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- ক্বেসন লিক ওইবগী থবক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

সরেন্দর (এল) ঃ রাজ্যপালনা খুৎশু খুৎলায়শিং সরকার পীখৎলকবা আপীল তৌখ্রবা মতুংদা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশু খুৎলায়শিং

পীশিন্নরকখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা ঙসি নোংমৈ য়াওনা লানদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নরকখি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, দবল বেরেল নোংমৈ অহুম, নোংমৈ মরু ৩০, বুল্লেটপ্রুফ জেকেট ১২, বি.পি. প্লেট ১৮, হেলমেট ১৩, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী নোংমৈ মরু ৫০, ৱায়ারলেস সেটনচিংবা য়াওরি।

বিরেন (এল) ঃ  ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং মার্জিং চীংদা রাজ্য অসিগী অহানবা ওইনা পায়খৎলিবা রোপৱে প্রোজেক্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবক হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- হায়রিবা রোপৱে প্রোজেক্ট অসিনা মার্জিং চীংগা ঐতিহাসিক ওইরবা ইবুধৌ মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সকা শমগনি। মসিনা রাজ্য অসিগী তুরিজম সেক্তর চাওখৎহনবতা নত্তনা শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্কনি।

শ্রী বিরেন্না লৈবা পোলো গ্রাউন্দসু য়েংশিনখি। মণিপুরগী শগোল কাংজৈ অসি ঐখোয়গী ইতিহাসকী মরুওইবা খুদম অমনি। মসি ঐখোয়না ঙাক শেনদুনা অমদি চাওখৎনবগীদমক মখা তানা হোৎনমিন্নশি।

সনাজাউবা (এল) ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর নেসনেল রিলিফ ফন্দগী মখাদা মণিপুরদগী মীওই অনি কেন্সর লায়েংনবা পুন্না লুপা লাখ ২ লিশিং ৪২,৫০০ শেলগী তেংবাং পীরকপদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। হায়রিবা শেলগী তেংবাং অসি এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা প্রধান মন্ত্রিদা হায়জবদগী পীরকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- মহাকা হায়জবদগী রাজ্য অসিদা অনাবা মীওই কয়া অসিগুম্বা শেলগী তেংবাং ফংখ্রে।

ইমো (এল) ঃ মণিপুরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফীভম হঞ্জিনহন্নবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মীফমদা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা লৌখৎখিবা থৌরাংশিং অদুবু আর.কে ইমো, এম.এল.এনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী আর.কে.ইমোনা হায়- মণিপুরগী শরুক্তা লৈরিবা ম্যান্মারগা তাইনবা ইন্তরনেসনেল বোর্দর শন্বল খাবা লোইশিন্নবা রাজ্য সরকারগী প্রস্তাব গৃহ মন্ত্রিনা অমুক হন্না য়াখ্রে। মসিনা আইন্না য়াদবা মওংদা রাজ্য অসিদা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপা থিংবা ঙল্লগনি। খোঙথাং অসিনা রাজ্য অসিদগী দিমোগ্রাফিদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিসু থিংবা ঙল্লগনি।

মীফম অদুদা ড্রগ মরু ফংনা মুখৎনবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা রাজ্য অসিদা ড্রগ লল্লোন অমদি আইন কায়না খুৎশু খুৎলায় কয়া পুশিল্লকপগী থৌওংশিং মপুং ফানা হন্থহনবা ঙল্লগনি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী অশেংবা রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমবা অথুবা মতমদা এন.আর.সি চৎনহন্নবা ৱাফম আর.কে. ইমোনা ফোংদোক্লি।

এক্স এমএলএ (এল) ঃ মণিপুর এক্স এম.এল.এ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টনা থবক্তগী পোত্থারবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং মখা তানা থবক তৌহনদনবা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা চেরোল অমা পীশিনদুনা ৱাকৎখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ডাঃ নিমাইচান্দ লুৱাংনা ঙসি রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা চহি খরা অসিদা থবক্তগী পোত্থারবা কর্ম্মচারিশিং মখা তানা থবক তৌহনবগী থৌদোকশিং উরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা চত্থবিদনবা মমাংদা মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসন্নসু চীফ সেক্রেটরিদা হায়জখিবা লৈরে। থবক্তগী পোত্থারবা কর্ম্মচারিশিং অমুক হন্না থবক তৌহনবা অসিনা মতিক চারবা অতোপ্পা মীওই কয়াগী খুদোংচাবসু মাংহল্লি।

কংগ্রেস (এল) ঃ   লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা অৱাবা নংহল্লবা ইমুং মনুংশিংদা মতেং পাংবীনবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

দল অসিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা ঙসি রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা হায়- থা অসিগী ২ দা লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং নোনে জিলাশিংদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী য়ুম-কৈ, মনা-মশিংনচিংবা মাংহন তাকহনখি। অৱাবা নংলবা ইমুংশিং অসিগীদমক জিঙ্খ্ৱ য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীবীনবা মহাকা হায়জখি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী ওইনা লেন্না য়ুম-কৈ অমাং অতা থোকহনখ্রবা ইমুংশিংগী অকুপ্পা ৱারোল থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা সব-দিপ্যুতি কল্লেক্তরশিংদা পীশিল্লকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা খঙহল্লক্লি।

অর্থর (এল) ঃ  আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী এম.পি- অলফ্রেদ কে. অর্থরনা ঙসি জিরিবামদা চত্তুনা লমদমদুগী মীয়ামগা উন্নখ্রে। মহাকা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংদুনা মফম অদুদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগসু উন্নখি অমসুং মখোয়গী ৱাকৎশিং তাখি। শ্রী অর্থর এম.পি ওইনা জিরিবামদা অহানবা ওইনা লাকপনি।

নুপী (এল) ঃ     সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামিন্নবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা এগ্রিকলচর বিভাগকী ফারমর্স ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর বিভাগনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থমলিপ তিনিংফাং মোনসাংনা হায়- অসিগুম্বা থৌরম অসি

পাঙথোক্কুনা থবক তৌফমশিংদা নুপীশিংদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট পীবা থিংনবা এক্টশিং অসি খঙহনবা য়ামা মরুওই। মহাকা হায়- নুপীশিংনা সমাজ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মখোয়বু তোঙান তোঙানবা লমশিং য়াওনা মহৈ মশিং অমসুং হকচাং ফনা নাদ য়েক্তনা লৈনবগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবসু লৈ। ইমুং অমদা নুপীশিংনা চাদা ৫০ শেল থুমগী লমদা তেংবাং পীরি। নুপী অমসুং নুপা অনিমক ইমুং অমদা চপ মান্নবা থৌদাং য়ারি।

স্কিল (এল) ঃ মণিপুর সরকারগী এম.ও.বি.সি বিভাগকী মখাদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা ককচিং ৱাইরিদা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। জে.সি.আর.ই স্কিল সোলুসন থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইনা এম.ও.বি.সিগী মখাদা কেন্দ্র অদুগী এম.এল.এ- উসম দেবেন য়াওনা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং অদুদা ঙা য়োকপা অমসুং কে মৌবগী মতাংদা শরুক য়াখিবশিংদা টুল কিটস, ঙা মচা অমসুং সার্তিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

কেম্প (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিন্দুনা ঙসি মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। ৱাহেংবম ব্রজবিধু সিংহ হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর লমশাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। নুমিৎ থৌরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা টেষ্টশিংসু পাঙথোকখি।

কেম্প-২ (এল) ঃ রিলিফ সেন্তর ফোর দি ৱেলফ্যার ওফ দিফরেন্টলিএবল পার্সন মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি শগোলবন্দ তেরা শাপম লৈরক্তা এসেসমেন্ট কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর (সি.আর.সি) ইম্ফাল, প্রধান মন্ত্রি দিবিয়াসা কেন্দ্র (পি.এম.দি.কে) ইম্ফাল অমদি আর্তিফিসিয়েল লিম্ব মেন্যুফেকচরিং কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া, গুৱাহাতিগী মখাদা শিনখিবনি।

মৈ (এল) ঃ  এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ষ্টাফশিংনা ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেইদ চথুবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ২৫ ফাগৎখ্রে। লোয়ননা কঞ্জুমর ১৪ গী মৈ ককথৎখ্রে হায়না কম্পনি অসিগী জেনেরেল মেনেজরনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

মৈ (এল) ঃ থৌবাল জিলাগী উসোইপোকপী সব-ষ্টেসন ঙরাং বজ্র তারকপদগী অমাং অতা থোকপনা মরম ওইদুনা সব-ষ্টেসন অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা নুমিৎ খরনি মৈ পীবা ঙমখিরোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অমদা কম্পনি অসিনা হায়- হৌজিক সব-ষ্টেসন অসি শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথুরি।

কেম্পেন (এল) ঃ  থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস অমসুং জোনেল ইদুকেসন ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল অথোকপম হাইস্কুল, থৌবাল অমদি সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবালদা ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা পুন্না ভাব তামিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। নসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা মহৈরোই ২১০ রোমা শরুক য়াখি।

কাদা (এল) ঃ  য়ু য়াওনা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবদগী থোরকপা ফত্তবশিংগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থোংজ্ পার্ট টুদা লৈবা সেবা ক্লব কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমসুং ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিতি রিজনেল কেম্পস মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱার্ককা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি।

পোপি (এল) ঃ  অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী খুদাই খুল্লেন অমদি চেলেপ খুলগী

লম একর ২০ লোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং ঙসি য়াম্বৎতুনা মাংহনখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা খুঞ্জাশিংগা খুৎশমদুনা উ চারা থাবগী কেম্পেন অমা ঙসি কামজোং জিলাগী ৱাংলি খুলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ৱাংলি খুলগী খুঞ্জাশিং অমদি ভিলেজ ওথোরিতিশিং শরুক য়াখি।

দেরি ঃ কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- দেরি সেক্তরনা নুপীশিংদা শক্তি পীবদা য়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- নুপীশিংগী চাদা ৬২ দি সেক্তর অসিগা মরী লৈনৈ। শ্রী সাহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা সষ্টেনেবিলিতি এন্দ সার্কুলারিতি ইন দ দেরি সেক্তর হায়বা ৱার্কসোপ অমা হৌদোকখি। ৱার্কসোপ অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী ফিসজরিজ, এনিমেল হজবেন দরি অমসুং দেরিয়িংগী মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী শঙ্গোমগী পোত্থোক পুথোকপগী চাং চাদা ৬৩ হেনগৎলে।

মোদি ঃ ৱার্ল্ড ৱাইল্ডলাইফ কনজর্ভেসন ডেদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি গুজরাথকী জ্নাগর জিলাগী মনুং চনবা সসান গিরদা নেসনেল বোর্ড ফোর ৱাইল্ডলাইফকী ৭ শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। শ্রী মোদিনা জ্নাগরদা নেসনেল রিফরেল সেন্তর ফোর ৱাইল্ডলাইফ শানবা যাত্রা হুনখি। মহাকা ১৬ শুবা এসিয়াতিক লাইয়োন পোপ্যুলেসন ইস্তিমেসন ২০২৫ অমসুং হুইমেন ৱাইল্ডলাইফ কনফ্লিক মেনেজমেন্ট সেকোন কোইম্বাতোরদা হাংদোকখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লাক্লিবা চহি অনি অসিদা ভারত মালেমগী অহুমসুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইনবা লম্বীদা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- ভারত অসি হৌজিক মালেমগী মঙাসুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইরি। মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা আর্মদ ফোর্সেস ফ্লেগ ডে, সি.এস.আর কনক্লেভতা ৱা ঙাংখি।

মেঘৱাল ঃ কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী ইজ্জৎ ঙাকবা অমসুং অশোাই অঙাম থোকহন্দনবা ভারত সরকারনা লৈবাক অসিগী আইনশিং শেমদোক্লে। মহাকা হায়- আর্তিফিসিয়েল হন্তেলিজেন্স থোরকপদগী নুপীগী মথক্তা চখবা ক্রাইম হেনগৎলে। অদুবু মদু থিংনবা সরকারনা অচৌবা থৌরাং কয়া মরুম লৌখৎলি।

এস সি ঃ য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা ৱায়েল অমদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে- মীৎ উদবা মীওইশিংবু জ্দিসিয়েল সার্ভিসতা থবক তৌনবগী খ্দোংচাবা পীদবা য়ারোই। রাই অদু লাউথোক্লদুনা জষ্টিস মহাদেবন্না হায়- মীমান্নদ্রবা মীওইশিংনা জ্দিসিয়েল সার্ভিসতা চংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা অমত্তা মায়োক হল্লোইদবনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি নিউ দিল্লিগী বেলিজিয়মগী উপ-প্রধান মন্স্সু ওইরিবা মপান থৌরম মন্ত্রি মেক্সিম প্রিভোটকা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, উদ্যোগ, শিক্ষা, ফারমাসিউতিকেল, ইনোভেসন অমসুং কলচরগী মরী ফনা লৈরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ সুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শগোলমাং গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন্না য়ুং ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। গ্রাউন্দ অসিদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

অমরোমদা, লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)না য়ুনাইতেদ ব্রদরস এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি। গ্রাউন্দ অসিদা

শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্ট এসোসিয়েসন (উপা)না নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লৈবা সেদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.সি.সি পাৎশোইনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৯ দা থোইখে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু পরহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি থৌবালগী মোজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল শিংজমৈনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন ২৭ তা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রাউ খমাম বজারনা ত্রাউ ৱাকৈথেলবু রন ২১ দা থোইখি।

------